HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালগী ৯২শুবা শাফোঙখিবা নুমিৎকী নীংশিং থৌরম পাঙথোক্তুনা নেশনল এৱার্দিশিং ওক্তুনা খুদোল তন্বদা অথোইবা মীথুংলেননা এস ইন্দ্রকুমারদা ইকায়খুম্নবা শকখঙচে লাম্থোকপা


থম্মোয় পাউদম : পূন্সি-শক্তম, শিনফম...-২৫ ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ শোক্লবা ফিরাকনা মরোমদোম ফজরকপদা...

অচুম্বনা মায় পাকই হায়বসিদি লেঙদবনি ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ লমদমসিদা থেংনরিবা তংদু-লৈতাদবা ...

মিজোরামদা চাকমানা নম্না তাবা মফমশিংদা... ☛ লামায় ৮

লামায় ১০ ☛ ৱর্ল্ড কপঃ এস্বাপেনা মহাক্কী...


জুন ১দগী হৌরক্লগা ৩০ ফাওবা চত্থগদবা 'খেট বচাও অভিয়ান'গী নেশন ৱাইদ কেম্পেন্যনগী মনুং চন্না কে ভি কে থৌবালনা লাঙথেলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা লৌমীশিংদা মরূ-মরাং খূৎশিন্নবা




Vol. 51, Issue No. 91 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং - ৩৪২৪ | য়ূমশকৈশা, ইঙাগী ১০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, June 24, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# মীহাৎ থীনা হাৎলম্লবা নাগা মীচম ৬ ফাখিবগী হায় কোর্টতা কেস ৱায়েল চত্থরকপদা এন আই এগী আই ও মশামক কোর্টতা লাকখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ১৩গী নুমিৎয়ুংলকপা অদুৱাইদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী লৈলোন ভাইফে খুলদা খুল অসিগী নুপীশিংনা হান্না ফারবা মতুংদা কুকি টেররিষ্ট খূৎপু অমদা খূৎশিন্নখিবদগী মীহাৎ থীনা হাৎতোক্লম্লবা মতুংদা ফংখিবা নাগা মীচম তরুক ফাখিবা থৌদোক্কী মায়োক্তা মখোয়গী খোঙ্গুল লিবীদুনা হিংনা ফংহনবীয়ু হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলকখিবা পি আই এলগী হিয়ারিং চত্থবদা কেস অসিবু খূৎপায়নদুনা ইনভেষ্টিগেশন চত্থবা হৌরক্লিবা এন আই এগী চীফ ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর (সী আই ও) মশামক হায় কোর্টতা লাক্তুনা এজেন্সী অসিগী মায়কৈদা লেপ্লিবা কাউন্সেলগী মতেং পাংখ্রে।

পি আই এল অসি উখ্রুলগী হুংপুং কাজিফুংদগী টি মার্ক খপাই (৫১), অপোকপা ফ্রান্সিস খপাই কৌবা মীওই অমনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি। পি আই এল অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী মহুৎ শিনবা চীফ সেক্রেটরি, কম্মিস্নর (হোম), দি জি পি, কাংপোকপীগী এস পি, য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মহুৎ শিনবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী সেক্রেটরি, এন আই এগী মহুৎ শিনবা এজেন্সী অসিগী লম্ফেলদা লৈবা ব্রাঞ্চ ওফিসকী এস পি অমসুং থৌদোক থোকখিবা লৈলোন ভাইফে খুলগী চীফ লালবোই ভাইফৈনি।



রেভরিন্দ মানু থিয়ুমাই



ফেনরোঙৱি থিয়ুমাই



ফেনরিলুং চৱাং



কালিৱাংবৌ অবোনমাই



পাষ্টর কেনপিবৌ



দিলিপ থিয়ুমাই

পি আই এল অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস এম সুন্দরনা লুচিংবা বেঞ্চনা থা অসিগী ৪দা লৌখৎখি। অদুগা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর ৭ ওইরিবা লৈলোন ভাইফে খুলগী চীফতা নোটিস ইস্যু তৌবগী ৱাফমদি কোর্টনা কোন্না খন্নগনি হায়রগা লেমহৌরিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# এ টি ফাবগী মতাংদা দি জি পিগা ৱারী শানরে ইন্টলিজেন্সকী মতুংইন্না তম্পাক্তা লোনা য়াদবা খূৎশু খূৎলায় খরা লৈরে : গোবিন্দাস

**ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্কী য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস (য়াস) গী লোয়শঙসু পুরিবা হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা তম্পাক্কী মফমশিংদা ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লকপগা লোয়নননা চীংগী মফমশিংদা অহেনবা কোৱা টিমগা লোয়নননা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং থাজিনদুনা খূৎশু-খূৎলায়শিং ফাগৎনবা ওপরেশন চত্থবা হৌরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি মালেমগী মফম পুম্নমক্তা পাঙথোক্লবগুম মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএশন (এম ও এ) না শীন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা ইন্টরনেশনল ওলিম্পিক দেদা শরুক য়ারখিবা হোম মিনিষ্টরদা পার্ড মীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, মণিপুরগী ঈরাং অসি লোইশিনদুনা মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিন্নবা লৈঙাক্না কন্না হোৎনরি। অরাম্বাই তেঙ্গোলগী মীওই খরা ফাখিবা অদুগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## আই দি পি ১ লৈখিদ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস):**



মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা লান অসিনা মরম ওইরদুনা চূড়াচান্দপুরগী দি ফাইলেন মীতৈ লৈকায়দগী লাঞ্জেল্লক্তুনা ক্বাক্তাগী সেরিকলচর ফার্মদা শাবা প্রি-ফেব্রিকেটেদ হাউসতা চঙজফম লৌরকখিবা মশাগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## গোৱাদগী য়ু জি ফারুরবা মতুংদা নোংমৈ ৪ ফংলে

**ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস):**

পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমদা শবুংখোক্তগী আর পি এফ/পি এল এগী এক্টিভ কাদর নোংথোম্বম ইঙো এলিয়জ কৃষ্ণ এলিয়জ য়ুহেনবা কৌবা মীওই অমা লিলোং পি এসনা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা গোৱা পুলিসনা মতেং ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## ওল্ড কছার লম্বীগী ব্লোকেদ হন্দোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস):**

থা অসিগী ১৮দা জৌজাংতেক খুলদা খূৎলায় পায়বশিংনা এটেক তৌরক্তুনা লৌমী অমা শোকহনখিবা থৌদোকপু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ওল্ড কছার রোদতা মথংগী নুমিৎতগী চঙশিল্লকখিবা ব্লোকেদকী খোঙজং অদু ঙসি নোনেগী এস পি, এস দি ও লোংমাই অমসুং ও সী খৌপুমগগী মরক্তা জৌজাংতেককী চীফ, সেক্রেটরি অমসুং য়ুথ ক্লবকী প্রসিদেন্টগগী মরক্তা য়ান্ন-চেরোল অমা খূৎয়েক পীনরবা মতুংদা খুদক্তগী হন্দোকখ্রে।

# খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ফম্বীশিংনা শীন্থা লেপ্তুনা ফাজিনখিবা এ টিশিং থাদোক্কদবনি হায়দুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস) :**

হন্দক এন আই এনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা অরাম্বাই তেঙ্গোলগী তেঙ্গোল্লোই খরা ফাজিনখিববু অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোক্লদুনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ফম্বীশিংনা ঙসি নোংমগী শীন্থা লেপ্তুনা ফাজিনখিবশিং থাদোক্কদবনি হায়দুনা দিমান্দ তৌরদুনা কৈথেল অসিদা খোঙজং চঙশিনখ্রে।



খোঙজং অসিগা মরী লৈননা লাইশ্রম মেম্মনা হায়, ঐগী ইরমদম ইফূরুপ কন্দবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোন্দা ইচাশিংনা অঙন্বা থৌদাং লৌখিবনি। ইচাশিং নোংমৈ পায়রম্বা নত্তে। মহৈ তমজদুনা অমসুং নোংমগী চরা তান্দুনা লৈজরম্বনি। লান অসিনা মরম ওইরদুনা চোংথোরক্তুনা মফূরুপ কন্নবা হোৎনরকপদগী ঙসি ঐখোয়না লৈবা ঙল্লিবনি। হৌজিকসু নাগা মীচম ৬ ফাখ্রবা মতুংদা মতুপ-মতুপ কক্তুনা হাৎলম্বদা চেন্নবা মীওইশিং ফাদ্রগা ইচাশিং ফারিবা করিগীনো হংখি। ঙম্ন-ঙম্নবা লাক-ফোইদুনা লান থেংনখ্রে। অদুগা খূৎলায় পীখৎলক্লো হায়বদগী পীখৎলুরে। লান হৌরিবা কাঙবুগীনা পীখৎলক্ত্রে। য়েলহৌমীশিং হাৎপা-তুপ্পা চত্থরক্লিবা কুকিশিংদি ফাদ্রে। নেমচা কিপগেনগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# লান মনুংদা মফম খঙখিদ্রবা মীওই ৩২গী খোঙ্গুল লীবীয়ু হায়জরকপা কেসকী ৱায়েল সম্মর ভেকেশন মতুংদা চত্থরগনি

**ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস) :** মে ৩,২০২৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবা ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবা মণিপুরগী লান মনুংদা মফম খঙখিদ্রবা নুপী অঙাং য়াওনা মীওই ৩২গী খোঙ্গুল লীবীয়ু হায়দুনা ফেমিলিজ ওফ ইনভোলুন্টরিলি দিসএপিয়র্দ এসোসিএশন, মণিপুর (ফিদম) অমসুং হ্যুমেন রাইটস ইনিসিএটিভনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা পি আই এল নম্বর ৩ ওফ ২০২৬কী মখা তাবা ৱায়েল ঙরাং চত্থখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা বেঞ্চনা পি আই এল অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা কাউন্সেল দল্লিয়ু বসন্তকুমারনা লেপ্লগা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর থী অমসুং ফোরগী মায়কৈদা লেপখিবা এদিশনেল এ জি, এস চিত্তরঞ্জননা মেট্টর অসি এপ্রিল ২৯,২০২৬তা কোর্টনা লৌখৎতুনা খন্নখ্রবা মতুংদা ৱাকৎ অসিগী মখা তাবা প্রোগ্রেস লাক্লে হায়খিবগা লোয়নননা ৱায়েল চত্থনবগীদমক কোর্ট অসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## ব্রাউন সুগরগা কোন্ননা মীওই ৪ ফারে

**ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস):**

পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি পুলিসনা লিলোং শন্নুখোংদা লৈবা সুরৈয়া এলিয়জ নহা (৩৭), এম দি টামিজউদ্দিন এলিয়জ সনাতোম্বা এলিয়জ নহাতোম্বা (৩৩) অমসুং এম দি ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## রিলিফ কেম্পতগী য়াওনা য়ু জি অহুম ফারে

**ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস):**

পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা প্রিপাক (রেদ আর্মি) গী তোপ খোংনাংমখোঙ ময়াংলম্বম লম্পাক্তগী সর্জন্ট মেজর ক্ষেত্রিময়ূম ফ্রেন্সটোম এলিয়জ ননাও এলিয়জ ঈথৎ (৪০) মহাক্কী লৈকায়দগী ফারে। অমরোমদা ঙরাং সিক্যুরিটি ফোর্সনা ময়াং ইম্ফাল মাইবম মমাঙ লৈকায়দগী সোরেপাগী য়ূম্নাম জয়রাজ এলিয়জ ইবোমচা (৩৬) কৌবা য়ূম্নাম হুইদ্রোম খুনয়াই লৈকায়দগী...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## পাউমীগী গাড়ী হুরানখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস):** ঙসি নুংথিল পুং ৪ রোম তারকপদা দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী



মনাক্তা খাম্বা হুইয়েন লানপাউগী পাউমী অমগী হোন্দা এক্টিভা-এম এন-০১/এ এন-৯০৫১ হুরানখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

# পার্লিয়ামেন্টতা লাউজরিবসি মণিপুরগী ইস্যুশিংগীনি ইফূরুপকী খুজোক খরনা খুরক্কী ঈনা লাই শাবা য়াওরে: বিমোল

**ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস) :** পার্লিয়ামেন্টতা ঐহাক্না ঙাঙজরিবা-লাউজরিবা ময়াম অসি মতাং মতম চানা ইস্যুশিং অসিগী মতাংদা লাউজবনি অদুবু মাঙদা চঙশিন্নবা হোৎনবদা শ্বাইগী ইফূরুপকী খুজেক খরনা খূরক্কী ঈনা লাই শাদুনা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবদা তুংদা ৱা য়াম্না ঙাঙদুনা দিষ্ট্রেক্সন তৌনবা হোৎনবা কয়া য়াওরে। অদুবু মসি কন্ট্রোল তৌরগা মাঙলোমদা অমসুং থবক্তা মায় পাক্লবা চঙশিনবসি স্পোর্টসতগী তন্বা পাড়া অমনি হায়না কোংগ্রেস এম পি প্রোফেসর বিমোল অকোইজমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি উরা লৈমা ৱুশু একাদেমি (পোরোম্পাৎ) না কোংপাল কোঙ্খাম লৈকায়গী এ এ এ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকপা অহানবা ইনভিটেশন মণিপুর ষ্টেট ৱুশু চেম্পিয়নশিপ (সিনিয়র-মেন এন্দ ৱিমেন, জুনিয়র এন্দ সব-জুনিয়র-বোইজ এন্দ গর্লস) লোইশিনবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা এম পিনা ফোঙদোকখিবনি।



মহাক্না হায়, স্পোর্টস হায়বসিদগী ঙসিগী নহাশিংনা তমশিনবা য়াবা য়াম্না লৈ। কন্ট্রোল তৌবা, দিসিপ্লিন খঙবা, ইথক থোংবশিংদা ইকায়খুম্নবা উৎপশিং অসি তমশিনগদবনি। হৌজিক সোশল মীদিয়াদা নহাশিংনা থাগৎলিবা পোষ্টশিং অসি থকসি-খাসি য়াওদবা অমসুং অহল-লমন পূন্না য়েংবা য়াদবা য়াম্না য়াওরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

শান্ন-খোৎনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই হায়রদুনা মীওইবগা অতৈ থৱায় ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# ঙাঙ্খলৱাই ১সুং অকোয়বগী একর ১০০ হেনবগী লম প্রোটেক্সন তৌবীয়ু হায়দুনা চীফ মিনিষ্টরদা ৱাকৎখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস) :** বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ঙাঙ্খলৱাই অমসুং খুল অসিগী অকোয়বদা লৈবা ভিলেজ নম্বর ৫২-মোইরাং পার্ট-১গী সী এস দাগ নম্বর ১,৯,১৩,১৪১, ১৪৩,১০,৭,১৪৪ অমসুং ১৪৬না কোনবা পূন্না একর ১০০.৯৫ পাক চাউবা লম অসি মণিপুর লৈঙাক্না শঞ্জাবুং ওইনা হঞ্জিলহন্নবা অমসুং ঙাক শেনবীয়ু হায়না ঙাঙ্খলৱাই জি পিগী উপ প্রধান মোইরাংথেম মুতোননা ঙসি চীফ মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে।

একর ১০০ হেন্না পাক চাউবা লম অসি খুঞ্জাশিংনা শঞ্জাবুং ওইনা অমসুং মখোয়গী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবগী পাম্বৈ ওইনা শীজিন্নরকখিবনি। অদুবু লৈঙাক্না কুমজা ১৯৭৯দা অয়াবা পীদুনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না লম অসি লৌউ-শিংউ তৌনবগীদমক খাকখিবনি অদুগা কুমজা ১৯৯৬তনা মোইরাং পার্ট-ৱান এদ্যুকেটেদ অন-এমপ্লোয় য়ুঠ পিসিকলচর কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদতা ঙা য়োকপগী থবক থৌরমশিংগীদমক এলোট তৌখিবনি। লম অসিবু ফীভম অসিদা লৈহল্লকপনা খুঞ্জাশিংগী মপুং ওইবা শেন্থোক লম্বীদা চহী কয়া শোকচিলহল্লক্লি। মরম অসিনা হৌজিক লৈরিবা লম অসিগী মতাংদা লোগী ওইবা মীৎয়েংদা করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে হায়বদু লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীয়ু। লোয়নননা কুমজা ১৯৭৯গী মমাঙদা লৈরম্বা শঞ্জাবুং ওইনা থম্বীয়ু হায়জখি। লম অসিগী মতাংদা অরানবা থৌওং চত্থরব্রা হায়বদুসু য়েংশিনবীয়ু হায়খি।

লম অসি হৌজিক খোপচিন্নরকপা নৎত্রগা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

# এন আই এ এক্ট-২০০৮গী প্রোভিজন মতুংইন্না হোম মিনিষ্ট্রিনা থবক পায়খৎলক্ত্রে হায়না হায় কোর্টতা ফোঙদোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস) :** ক্বাকৈথেল কোঞ্জেং লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা মণিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্টর ওইরম্বা অকোইজম লানঙমগী মচানুপা নোংঙানববু এন এস সী এন-আই এমগী কাদরশিংনা মীহাৎ থীনা হাৎলগা থল্লম্বদগী ফেব্রুৱারী ১২,২০২৩দা কাংপোকপী পি এসকা শুপ্নতগী কিলোমিটর ৩ লোমদমক লাপ্নবা চণ্ডৌবুংগী মফম অমদগী ফংখিবগা মরী লৈননা কাংপোকপী পি এসনা শুও মোটুদা কেস অমা লৌখৎলবসু থৌদোক অসিগী কেস অসি এন আই এদা খূৎশিন্নবীয়ু হায়না মণিপুর লৈঙাক্না মার্চ ১৮,২০২৩দা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসতা অইবা চেরোল অমা পীদুনা হায়জখ্রবা ফাওবদা হৌজিক ফাওবা মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী এন আই এ এক্ট-২০০৮গী প্রোভিজন মতুংইন্না থবক পায়খৎলক্ত্রে হায়না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা সিনিয়র কাউন্সেল খাইদেম মনিনা ফোঙদোকখ্রে।

## এন এস সী এন-আই এমনা কাংপোকপীগী চণ্ডৌবুংদা অকোইজম নোংঙানবা হাৎখিবগী কেস

ৱাফম অসি লৈখিদ্রবা নোংঙানবগী অপোকপী অকোইজম শান্তিবালানা পিটিস্নর ওইদুনা কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২


